ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

ককচীং এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ রামেশ্বরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা জুবেনাইল এসোসিএসনগী ওফিসতা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী জোইন্ট টাস্ক ফোর্স কোভিদ-১৯ হাংদোকখিবা

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা কম্যুনিতি ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

☛ লামায় ২

সেসন্স জজ গুনেশ্বরনা শরুক য়াদুনা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

☛ লামায় ৩

এম এল এ মিরাবাইনা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টর হাংদোকখ্রে

☛ লামায় ৬

এন ঈ ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হন্থবা লৈত্রি

☛ লামায় ৭

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা অহানবা ওইনা হৌদোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কম্যুনিতি ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামগী মনুং চন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওইশিংবু কোভিদ-১৯গী অহানবা ফেজগী হীদাক কাপথোকখিবা

Vol. 45, Issue No. 062 | ইরাই, কালেনগী ১৭নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, May 28, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

লৈশাবী ১ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

বিষ্ণুপুর পি এসকী মনুং চনবা পোৎশংবম ৱার্দ নম্বর ৮দগী মশাগী চহী ১৮ লোম শুরবী লৈশাবী মচা অমা হু থক্লুবদগী রিমসতা পুখৎতুনা লায়কন্নরকখিবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। মহাক্কী হকচাং ঙসি পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রে।

কোভিদনা লৈখিদ্রবা ইমুংদা শেল পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

লময়ানবা ইপু হায়রগসু খঙনবা খুমন্থেম লখিকুমারনা মাঙজৌ-ননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ক্ষেত্রিগাও এ সীগী কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা কোংপাল খাইদেম লৈকায়গী ইমুং অমদা লুপা লিশীং ৫ পীখ্রে। ঙসিগীসিনা মহাক্না এ সী অসিগী মনুংদা পীবা অনীরকশুবনি হায়রি।

নেহরুগী দেথ এনিভর্সরি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈরিবা কোংগ্রেস ভবনদা পার্টি অসিনা শীন দুনা ঙসি লৈবাকসিগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুগী লৈখিদবগী ৫৭রকশুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরমসিদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গোবিন দাস কোন্থৌজম, পার্টিসিগী সী এল পি লিদর ও ইবোবী, সী দব্লিয়ু সী মেম্বর গাইখাঙম য়াওনা লৈখিদ্রবগী মফমদা লৈ-শু কৎখি। থৌরমসিদা পার্টিগী এম এল এ, ওফিস বিয়রর, ফ্রন্টেল/সেলশিংগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

মীওই ২১০ দিটেন তৌখি

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

ষ্টেট অসিদা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী লাইচৎ অসিবু মায়োক্লনবগীদমক লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা চৎন-কাঙলোনশিং/কর্ফিয়ু থুগাইদুনা ফেস মাস্কনচিংবা উপ্তনা থোরকপা মীওই ২১০ পুলিসনা দিটেন তৌখিবগা লোয়ননা মখোয়দগী ফাইন ওইনা লুপা ৬৮,০০০ রোম খোমগৎখ্রে হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৬.৪৪ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৬১ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৮

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

HL Poll

Q: State leingakna manipurgi meepum khudingmak athuba matamda Covid-19 test touba houragani hairaklibasi achumba khongthang oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Home isolationda leiribasing leingakna chana-thaknaba puthoktuna CCCda thambana positive case masing hantharakloidra?

Yes 80% No 20%

অস! লোইরেহে!

- ইমাখোয় ৱানা ঈশিং ফংদনা লৈরম্বসি মীৎতগী পি তাদবা ঙমদে।

- ꯏꯃꯥꯈꯣꯏ ꯋꯥꯅꯥ ꯏꯁꯤꯡ ꯐꯪꯗꯅꯥ ꯂꯩꯔꯝꯕꯁꯤ ꯃꯤꯠꯇꯒꯤ ꯄꯤ ꯇꯥꯗꯕ ꯉꯝꯗꯦ॥



- শ্বাইদা গুন্তির শাবিররিবসিবু ভোট লেপ্পীগদ্রা ইবুংঙো।

- [illegible]

হোম মিনিষ্ট্রিনা কোভিদ লাকশিন্নবগী চেকশিন থৌরাংশিং জুন ৩০ ফাওবা চথনবা খঙহল্লক্লে

পুং ২৪দা পোজিটিভ কেস ৮১৩ থেংনখ্রে, মীওই ১৮ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

লৈবাক অসিনা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী খম থেংলবা চৈথেংশিং লাকশিন্দুনা মীয়ামবু লায়না অসিদগী কলহৌনবগীদমক লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিং মথং থাগী ৩০ ফাওবা চথনবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা ঙসি নুংথিল মণিপুর লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমনা থোরকখিবা চেরোল অমদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ পোজিটিভ কেস ৮১৩ থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই ১৮ লৈখিদ্রে হায়রি।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) গী মায়কৈদগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা নেসনল এগজিক্যুটিভ কম্মিটি (এন ঈ সী) গী চ্যেরমেন অজে ভল্লানা ঙসি থোকখিবা ওর্দর (নম্বর ৪০-৩/২০২০-দি এম-আই (এ) গী মতুংইন্না লৈবাক অসিনা কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা লৌখৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসি মথং থা (জুন) ৩০ ফাওবা শাংদোল্লগনি হায়খি।

ওর্দর অসি দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ১০ (২) (১) গী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না থোকপনি হায়রি। লোয়ননা মহাক্কী ওর্দর অদুদা এপ্রিল ২৯, ২০২১দা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা লৈবাক অসিগী মফম পুন্নমক্তা কোভিদ-১৯গীদমক চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা থোকখিবা ওর্দর অদুসু মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র (এম ও ঐচ এফ দব্লিয়ু) না এপ্রিল ২৫, ২০২১দা পীরকখিবা অইবা চেরোল (নম্বর জেদ .২৮১০৫/৮৫/২০২১-দি এম সেল) গী মতুংইন্না অয়াবা পীরকখ্রবনি হায়রি।

লৈবাক অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী হোম সেক্রেটরিনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না ষ্টেট পুন্নমক্কী চীফ সেক্রেটরিশিংদসু মসিগী ৱারোলশিং মচা খায়না ইদুনা খঙহল্লকখ্রে। হোম সেক্রেটরি অসিনা চীফ সেক্রেটরিশিংদা ঙসি পীরকখিবা চেরোল অমনা ফোঙদোরকখিবশিংগী মনুংদা কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা অকনবা অথিংবশিং য়াওনা অতোপ্পা চেকশিন থৌরাংশিং ঙাক্লা চৎহল্লকপদগী লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিং অমসুং অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরখক নত্তনা অতোপ্পা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা অনৌবা কেসশিংগী মশীং অমসুং এক্টিভ কেসশিং হন্থরক্লে।

অদুম ওইনমক হায়রিবা মফমশিং অসিদা অনৌবা পোজিটিভ কেস অমসুং এক্টিভ কেসশিংগী মশীং হন্থরক্লগসু হৌজিক ফাওবদা এক্টিভ কেসশিংগী মশীং অয়াম্বা চাংদা মায়োক্লরি। মরম অসিনা কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং মরু ওইনা লৌখৎতবা য়াদবগী ফীভমদা লৈরি। অদুবু মাগী মাগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা মখোয়গী লোকল সিচুএসনশিং এসেস তৌরবা মতুংদা হায়রিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী লায়েংমল এফিদেভিট ওইনা পীখৎলক্নবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

হৌজিক ষ্টেট অসিনা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ মায়োক্লরিঙৈগী চৈরক্তা মণিপুরদা লৈরিবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা মরু ওইনা কোভিদ পেসেন্টশিং এদমিট তৌদুনা লায়েংলকপদা মখোয়গী লায়েংমল য়াম্না লৌরে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগী মতুংইন্না কোর্ট অসিনা থা অসিগী ১৮দা পি আই এল অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিশশিং ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা ঙরাং মণিপুর লৈঙাক্কী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র) না থোকখিবা ওর্দর অমদা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা কোভিদ পেসেন্টশিং ট্রিটমেন্ট তৌবদা লৌগদবা লায়েংমলশিং লাউথোকখিবা অদু কোর্ট অসিদা এফিদেভিট ওইনা ফাইল তৌরক্নবা দিরেক্সন পীখ্রে।

পি আই এল অদু নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর থ্রীদগী খ্বাইরাকপম তোম্বা কৌবা মীওই অমনা ফাইল তৌরকখিবনি। কোর্টনা মহাক্কী পি আই এল অদু পি আই এল নম্বর ২৯ ওফ ২০২১ ওইনা লৌখৎলগা অহানবা ওইনা থা অসিগী ১৮দা কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস সঞ্জয় কুমার অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌখিবনি।

কোর্টনা মেট্টর অদু লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল বি পি শাহুনা লেপখিবনি। অদুগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা লেপখিবনি।

কোর্টনা পিটিস্নর কাউন্সেলগী মায়কৈদগী তৌরকখিবা সবমিসনশিং তারবা মতুংদা পি আই এল অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিশশিং ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা মসিগী পাউখুম ঙসি (মে ২৭, ২০২১) ফাওবগী মনুংদা পীরক্নবা খঙহনখিবনি।

কোর্টকী দিরেক্সন অদুগী মতুংইন্না রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনেল এ জি লেনিন হিজমগী মায়কৈদগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা কোভিদ অমসুং নন কোভিদ পেসেন্টশিং লায়েংবদা লৌগদবা লায়েংমলশিং লেপথোক্নবগী লিগেল ফ্রেমৱর্ক লৈত্রা হায়বদু খঙদোরক্নবগী মতম পীবিনবা হায়জখিবনি।

কোর্টনা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনেল এ জিগী সবমিসন তারবা মতুংদা মেট্টর অসি ঙসি অমুক হন্না মখা তানা খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখিবনি। পি আই ...মখা লামায় ৩ কলম ২

অথুবা মতমদা মণিপুরগী মীপূম খুদিংমক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবা হৌরগনি : চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

ষ্টেট অসিগী মফম পুন্নমক্তা লৈরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবা হৌরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মহাক্কী সেক্রেটরিএটতা লেপ্তুনা চথরক্লিবা হৌজিক হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা পেসেন্টশিংনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা উনখিবা থৌরম অমদা লাউথোকখ্রে।

ঙসি হোম আইসোলেসন পেসেন্টশিংগা চীফ মিনিষ্টরগগী মরক্তা পাঙথোকখিবা ইন্টরেক্সন অসি থারগা অহুল্লক শুরে। পেসেন্টশিংগগী মরক্তা পাঙথোকখিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা মহাক্না হায়, কোভিদ-১৯ মায় পাক্না লাকশিনবা অসি লায়না অসিবু হৌরকপা মতমদা খঙহৌবা অমসুং পন্থদনা হীদাক লাংথক চাহৌবনা ওইগনি হায়খি।

মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট পুন্নমক্তা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট পাঙথোক্নবগীদমক আর এ টি কিটস লিশীং ৫০ য়েন্থোকখ্রে। অদুগা অনৌবা আর এ টি কিট লাখ অমসু লৌশিন্নবগীদমক ওর্দর তৌখ্রে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক কন্টেনমেন্ট জোনশিং অমসুং লায়না অসিনা হকথেংননা মায়োক্নহল্লিবা মফমশিংদা লৈবা য়ুমথোঙ খুদিংমক্কী মীওইশিং টেষ্ট তৌনবগী মতাংদা কন্না খন্নরি। লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা ইন্টেন্সিব ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু) গী ফমুং মশীংশিং অসিগী মথক্তা অহেনবা ফমুং ১০০সু চয়োল অমগী মতুংদা হাপচিন্দুনা হেনগৎহল্লগনি হায়খি।

ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা হৌজিক কোভিদ-১৯ মায়োক্লবা লানফমসিদা শীজিন্নরিবা হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অসি অয়াম্বনা ইনৌ নৌনা থৌরাং তৌবা ঙাক্তনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং করিগুম্বা মতমদা অপেনবা পোক্তবসু য়াই। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

কোংগ্রেসনা কৈদৌনুংদা অহোঙবা পল্লিসিটি তৌদে : এম পি সী সী

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :

হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী ফীভম অসিগা মরী লৈননা কোভিদ পেসেন্টশিংদা ফ্রী ট্রিটমেন্ট পীবগা লোয়ননা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওইশিংদা কম্পেন্সেসন পীবা অমসুং চহী ১৮দগী ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংবু হীদাক কাপথোকপগী চাং হেনগৎহনবগী মতাংদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মায়কৈদগী পাউমীশিংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রে।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা ঙসি পাঙথোকখিবা পার্টি অসিগী প্রেস ব্রিফিং অদুদা ৱাঙাঙলোই নিংঙোম্থম বুপেন্দ্র মৈতৈনা বি জে পিগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক অসিবু মায়োক্লনবা থবক থৌরমশিংদা কোংগ্রেস উবা ফংদ্রে হায়খিবা ৱাফমগী মতাংদা হায়, বি জে পিগী ষ্টেট লৈঙাক্লা মাঙজিল থানা লায়না অসিগী মায়োক্লবা হায়বসিদি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা অমসুং কন্সটিট্যুসন্না পীবা থৌদাংনি। থবক অসি কোংগ্রেসপু মরাল শীবগী মহুত্তা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী থোরকপা ৱাফমশিংসু তাবগা লোয়ননা লৈঙাকসিনা ষ্টেক হোল্ডরশিং খূৎশম্মদুনা পায়খৎকদবনি। অসিগুম্বা অরানবা অমসুং য়ূম্ফম য়াওদবা ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী অহোঙবা পল্লিসিটি তৌদে হায়বসি এম পি মশাদা খঙহন্নীংই হায়খি।

কোংগ্রেসনা পেন্দমিক অসিগী মনুংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

চীফ মিনিষ্টরগী কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা লেপ্তুনা দোনেট তৌনরি

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :

খাঙবোক এ সীগী সোসল ৱার্কর অমসু ওইরিবা খুন্দ্রাকপম মেঙ্গোর মঙাং ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা ঙসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোংবম বিরেনগী খূৎথাংদা চীফ মিনিষ্টরস কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা শেলগী মতেং ওইনা লুপা লাখ অমগা লিশিং মঙা মতেং পাংখ্রে।

ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটতা মতেং পাংবগী থৌরম অদুদা সী এমগী হেল্থ এদভাইজরসু ওইরিবা এম এল এ সাপম রঞ্জন, বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট কুমারজিৎ য়ুম্নাম, বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

নকশিন্নবা কিনখিবী নুপীগী হকচাং ১ এম এল এ য়াওনা পোৎলোইখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা নারল্লবা মতুংদা ঙসি লৈখিদ্রবী মশাগী চহী ৮৪ রোম শুরবী নুপী অমগী মনাক্তা কিনবদগী কনামত্তনা নকশিন্নদনা লৈরকপা ফীভমদগী লোকল এম এল এনা কোভিদ ৱারিয়রশিংগা খূৎশম্নদুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।

থৌদোক অসি হৈরোক এ সীগী মনুং চনবা থোকচোম ভিলেজদা ঙসি থোকখিবনি। লৈখিদ্রবী নুপী অদুসু হায়রিবা খুঙ্গং অসিদগীনি। মহাক্না ঙসি লৈখিদবদা মহাকপু কোভিদ-১৯না নাহনখিবনা মরম ওইরদুনা কিনবদগী মীওই অমত্তনা মনাক্তা নকশিন্দুনা পোৎলোইনবা হোৎনবিখিদবনি। ফীভমদুদা হৈরোক এ সীগী এম এল এ থোকচোম রাধেশ্যাম মশামক্না লুচিংদুনা হৈরোক কেন্দ্র কোভিদ ৱারিয়রস কম্মিটিগী থৌমীশিংগা খূৎশম্নদুনা লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী হকচাং পোৎলোইদুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবী অসি থা অসিগী ১১দা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবদগী হৈরোক এ সীগী ওইনা হাংলিবা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা মে ১২দগী ১৭ ফাওবা লৈরল্লগা ময়ূমদা লৈরকপনি হায়রি।

পুলিসনা ফারবা গ্রো মণিপুর টিমগী মীওই মরি জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :

মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৩৭ (৫) ২০২১ অন্দর সেক্সন ৪২০, ৪০৬, ৫০৬, ১২০ বি আই পি সীগা মরী লৈননা থা অসিগী ২১দা ফারগা ঙসি ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা থল্লকখিবা গ্রো মণিপুর টিমগী মীওই ৮গী মনুংদা মীওই ৪ কোর্টতা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ৪না নুমিৎ ৭নি মখা তানা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে।

ঙসি এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ (ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট) না জেলদা থাজিনখ্রবা মীওইশিং অদুদি পুখ্রম রেবতি (৫৩), মহাক্কী মপুরোয়বা জিতেন (৬১) মোইরাং পুখ্রম লৈকায় অমসুং ক্বাকৈথেল মখা থোকচোম লৈকায়দগী খুন্দ্রাকপম জেনি (২২) অমসুং থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়দগী কৈশাম উলেন (২৪) অপোকপা কে অকেন্দ্রনি অদুগা কেস অসিগা মরী লৈননা মখা তানা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রবশিংনা পুখ্রম জিতেনগী মচানুপা মাইকেল (৩০), মহাক্কী লোয়নবী ববিতা (২৮), মহাক্কী মচননুপী রেনুকা (২৮) অমসুং মশেন্নুপা খুন্দ্রাকপম বিকাস (২৩) অপোকপা কে ঐচ বসন্তনি হায়রি।

কেস অসি এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ (ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট) অসিদা ট্রান্সফর তৌরকখ্রে।

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯋꯥꯔꯦꯡ ꯆꯥꯡꯗꯝꯅꯕ

হুইয়েন লানপাউ ৱারেং চাংদম্নবা

মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক-লাইশু তম্বদা চাওনা চৈথেং পীরি। মরম অসিনা ***“মহৈরোয়শিংবু এগজামিনেসন তৌদনা মথংগী ক্লাসতা প্রমোসন পীবা”*** হায়বা টোপিক অসিদা মহৈরোয়শিংনা ইশা-ইশাগী ৱাখল্লোন্দা য়াম্লবদা ৱাহৈ ৫০০ ইরগা ‘হুইয়েন লানপাউ’গী ঈ-মেল আই দি **hueiyenwarengchangdamnba@gmail.com** অসিদা থাবীরকউ।

ৱারেং চাংদম্নবা অসিদা ক্লাস নাইনদগীনা ট্বেল্ভ ফাওবগী মহৈরোয়শিং শরুক য়াবা য়াগনি। মহৈরোয়শিংনা থাবীরকপদা ইশা-ইশাগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো ১, স্কুলগী মিং, ক্লাস অমদি কন্টেক্ট নম্বর লোয়নবীরকউ। মহৈরোয়শিংগী অইবা ৱাখল্লোন অদু চৎলিবা ***মে ৩১*** ফাওবগী মনুংদা থাবীরকউ। খ্বাইদগী ফজবা ৱাখল্লোন্দা ইরকপা মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী অহুম খনগৎলগা মথংশিংনা লুপা ৫০০০, ৩০০০ অমসুং ২০০০গী শেলগী মনাশিং ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থর্দ তারবশিংদা পীজগনি। ৱারেং ইবীরকপা মতমদা মহৈরোয়শিংনা খূদোংচানবগীদমক মীতৈলোল (মীতৈ ময়েক), রোমান স্ক্রিপ্ট অমদি ইংলিশতা ইবীরকপসু য়াগনি।

- এদিটর, হুইয়েন লানপাউ

প্রিপাক্কী লুচিংবা অহুম লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ৱেসিয়াগী হঞ্জনবা ঙল্লরোইদবা মাঙজবনি : অসুক

ইম্ফাল, মে ২৭ :

থা অসিগী হৌখিবা চৈচৎ ২৩দা পীপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী এক্টিং চ্যেরমেন খুমুজম রতন এলিয়জ কে ঐচ শাথী, লূপ অসিগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ময়েংবম জয়চান্দ এলিয়জ মাইকেল লুৱাং অমদি লূপ অসিগী লান্মী শঙলূপকী জি এস ও - ১ লেফটিনেন্ট কর্নেল আর কে রমানন্দ এলিয়জ রোজর লৈখিদ্রে। লুচিংবা অহুমনা মনুং মতম য়াম্না চাদনা পুন্সি পিখম্নখিবা অদুদা কে সী পি অমসুং কে ৱাই কে এলগী অপূনলূপ, এলাইএন্স ফোর সোসলিষ্ট য়ুনিটি, কংলৈপাক (অসুক) না থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না অসুক্কী মায়কৈদগী চ্যেরমেন এন ওকেননা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা অসুক্লা লৈখিদ্রবা লুচিংবশিংগী ইমুং মনুং অমদি প্রিপাক্কী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, এক্টিং চ্যেরমেন কে ঐচ শাথী কংলৈপাক অমদি ৱেসিয়া লমদম অসিগী য়াওল ঈহৌগী মমল নাইদ্রবা অতাঙবা লন অমনি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

থম্মোয় শোক্লা শরুক য়াজরি : এন আর এফ এম

ইম্ফাল, মে ২৭ :

চৎলিবা থা অসিগী ২৩, নোংমাইজিং নুমিৎতা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা পীপলস রিপব্লিক ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী এক্টিং চ্যেরমেন খুমুজম রতন এলিয়জ শাথী, শিংজমৈ চীংঙামখা সোরোকখাইবম লৈকায়, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ময়েংবম জয়চন্দ্র এলিয়জ জয় লুৱাং এলিয়জ চাম্বা শিংজমৈ ময়েংবম লৈকায়, জি এস ও-১ আর কে রমানন্দ এলিয়জ বসন এলিয়জ রোজর শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দদা লৈবা শক্লাইরবা লুচিংবা অহুমনা লৈখিদবদা নেসনল রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট, মণিপুর (এন আর এফ এম) না নীংতম লালহৌগী ইকায় খুম্নবা পীরক্লি।

এন আর এফ এমগী সেন্ট্রেল হেদ ক্বার্টরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনাজাওবা মৈতৈনা থোরকপা চেরোল অমনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, পুন্সিগী অরোইবা মীকুপ ফাওবা লৈবাক মীয়ামগী হনবা লৈতনা কখোক্তুনা তমজনীংঙাই ওইরবা খোঙফম থম্বীরল্লে। অসিগুম্বা মথৌনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

[illegible] LOAN AVAILABLE

VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
GOLD MORTGAGE

- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage:
Imphal East | Imphal West | Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-B/6949/27/4-29/5

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫